# বলাকোট এয়র ষ্ট্রাইক্তা পাকিস্তানগী লান্মী নৎত্রগা মীওই অমত্তা শীখিদে ঃ সুসমা



**অহমদবাদ, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী)ঃ**
ইন্দিয়াগী এক্সটর্নেল এফিয়র্স মিনিষ্টর অমসুং বিজেপি লুচিংবা ওইরিবী সুসমা স্বরাজনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ২৬তা ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সনা পাকিস্তানগী বালাকোটতা এয়র ষ্ট্রাইক চথখিবা অদুদা পাকিস্তানগী লান্মী নৎত্রগা মীওই অমত্তা শীখিদে হায়না ফোঙদোরক্লি।

অহমদবাদতা বিজেপিগী নুপী ৱার্করশিংগা উন্নবদা ৱাফমশিং অসি সুসমা স্বরাজনা ফোঙদোকখিবনি। মহাক্না মীফম অদুদা কুম্মজা ২০১৪দা বিজেপিনা ফুল মেজোরিটি ফংদুনা লৈঙাক শেমখিবা অদুগুম্না হন্দক্কী মীখল অসিদসু পার্টি অসিনাঅমুক হন্না মেজোরিটি ফংদুনা লৈঙাক শেম্নবা মীয়ামগী মতেং তঙাইফদে হায়খি।

মমাঙদা বিজেপিগী প্রাইম মিনিষ্টর অতল বিহারি বাজপয়িনা কোলিয়েসন লৈঙাক অমগী লুচিংবা ওইখিবা মরম্না পার্টি অদুগী অপান্বা খুদিংমক পাঙথোকপা ঙমখিদে। অদুবু নরেন্দ্র মোদিনা লুচিংবা এনদিএ লৈঙাক্না পায়খৎনিংবা থবক থৌরম কয়া অমদি হৌখিবা চহী ৫ অসিদা মপুং ফানা লৌখৎপা ঙমখি।

ইন্দিয়ান এয়রফোর্সনা চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ২৬তা পাকিস্তানগী বালাকোট এরিয়াদা চথখিবা এটেক অদু জাইস-ঈ-মুহমদ (জেঈএম) টেররিষ্ট ট্রেনিং কেম্পদা টার্গেট তৌখিবনি। থৌদোক অদু জেঈএমনা ফেব্রুৱারি ১৪দা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী পুলৱামা দিষ্ট্রিক্টতা সিআরপিএফ ৪০ সুইসাইদ এটেক অমদা হাৎখিবা অদুগী মতুংদা চথখিবনি।

সুসমা স্বরাজনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, এয়র ষ্ট্রাইক অদু অতম্ননা এটেক তৌবগী মওং নৎখিদে। সেলফ দিফেন্সকী মওংদা চথখিবনি হায়খি। এটেক অদুগী মাংওইননা ইন্টর্নেসনল কম্যুনিতিদা মাংজৌননা সেলফ দিফেন্স ওইবা থবক অমা ওইগনি হায়না পাউ পীখি।

থৌদোক অদুদা ইন্দিয়াগী আর্ম ফোর্সেসতা অকনবা ইনষ্ট্রক্সন পীদুনা পাকিস্তানগী লান্মী নৎত্রগা সিটিজন অমত্তা শোকহনবা য়ারোই হায়খি। আর্মিদা পুলৱামা এটেকপু চথখিবা জইস-ঈ-মুহমদকী টেরর কেম্পশিং অদু খক্তমক টার্গেট ওইগদবনি হায়না ওর্দর পীখি।

মদুমক লৈবাক অসিগী এয়রফোর্সকা অশোইবা য়াওদনা চপ চানা পাঙথোক্তুনা পাকিস্তানগী লান্মী নৎত্রগা সিটিজন অমত্তা শোকহন্দনা জাইস-ঈ-মুহমদকী টেরর কেম্পশিং অদু থুগাইবা ঙমখি। ফোরেন মিনিষ্টর অসিনা মখা তারদুনা ইন্টর্নেসনল কম্যুনিতিশিংনা ইন্দিয়ানা চথখিবা টেরর কেম্প থুগাইবগী এটেক অদু সপোর্ট তৌনরকখি হায়খি।

কুম্মজা ২০০৮কী মুম্বাই টেরর এটেক নীংশিংদুনা স্বরাজনা ফোঙদোকখিবদা মতম অদুগী কোংগ্রেসনা লুচিংবা লৈঙাক্না মীরম মচা য়াওনা পুন্না মীওই ৪০ শীখিবা অদুদা পাকিস্তানগী মায়োক্তা করিগুম্বা মখল অমত্তগী খুৎ থাবা ঙমখিদে।

ওর্গনাইজেসন ওফ ইস্লামিক কোওপরেসনগী মীফমদসু পাকিস্তাননা ইন্দিয়া য়াওবা য়ারোই হায়না থিংলকপা অদু য়ুস্বু য়ুএঈনা থিংদুনা টেররিজমগী মতাংদা ইন্দিয়াগী ৱাখল্লোল মরিক চুম্না থমখি।

# জম্মু এন্দ কাস্মিরগী দিষ্ট্রিক্ট অনীগী তঙ্খাইদা টেররিজম লাকশিনবা ঙম্লে ঃ মোদি



**অমরেলি, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী)ঃ**
প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা ঙসি ফোঙদোকখিবদা মহাক্কী লৈঙাক্না জম্মু এন্দ কাস্মিরদা টেররিজমগী থবক থৌরমশিং অদুবু দিষ্ট্রিক্ট অনীমখাইদা লাকশিনবা ঙম্লে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

গুজরাটকী অমরেলিদা লোক সভা মীখলগা মরী লৈননা মীয়ামদা ৱা ঙাংখিবদা বিজেপিনা লুচিংবা লৈঙাক অসিনা খোঙফম চেৎনা লেপ্পুনা পাকিস্তানবু জম্মু এন্দ কাস্মিরদা লৈরিবা ফিভম অসিদা অমুক্কা হন্না খন্থহনবগী তাঞ্জা অদু লাকখি।

হৌখিবা চহী ৫ অসিদা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী দিষ্ট্রিক্ট অনীমখাই অসিদা বোম ব্লাষ্ট অমত্তা লৈরক্ত্রি। টেররিষ্টশিংনা মীচম হাৎপগী থৌদোকসু ফোঙদোকপা লৈতে। মোদিনা মখা তারদুনা মহাক্কী লৈঙাক অসিনা সিক্যুরিটিগী মতাংদা য়াম্না অকনবা ফিরেপ লৌদুনা মীরমদগী হিরম অমদা লৈবাক অসিবু শীংনরকপা য়ারোই হায়বগী পান্দম থল্লি। মহাক্কী ৱারোল অদুনা বিজেপিনা মখা তানা সিক্যুরিটিগী মতাংদা অহেনবা থবক থৌরম কয়াসু পায়খৎখিনি হায়রি।

কুম্মজা ২০১৬তা জম্মু এন্দ কাস্মিরগী উরি দিষ্ট্রিক্টতা টেররিষ্টশিংনা লান্দারকখিবা অদুগী মতুং পাকিস্তানদা লৈবা টেররিষ্ট কেম্পশিংদা সর্জিকেল ষ্ট্রাইক চথখিবা অমসুং চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ২৬তা বালাকোটতা চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অদুনা পাঙ্গল লৈবা অমসুং পাউখুম পীবদা থিন্থদবা লৈঙাক্কী লুচিংবা অমগী থৌদাং মপুং ফানা পাঙথোকপা ঙল্লি হায়খি। ইন্দিয়াগী এয়র ষ্ট্রাইক অদুগী মতুং পাকিস্তান এয়র ফোর্সনা খুৎ হল্লকপদা ইন্দিয়ান এয়র ফোর্সকী পাইলোট অভিনন্দন বর্থমান পাকিস্তান আর্মিনা ফাখি। অদুবু মহাক পুং ৪৮ লৈরগা তেক্তা কাইদনা থাদোরকখি।

পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর ইমরান খাননা লৈবাক অদুগী নেসনল এসেম্বলীদা ৱা ঙাংলদুনা খুৎ থোক্নবা পামদে। অদুবু মখোয়না খুৎ থোক্নবা পামদ্রিবগী মরম অসি পাকিস্তানগী অশোনবা ওইনা লৌরোইদবনি হায়খি।

য়ুএঈগী ক্রাউন প্রিন্স সেখ মুহমদ বিন জায়িদনা পাকিস্তানগী প্রাইম মিনষ্টর ইমরান খান অমসুং ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা ফোনদা ৱারী শাদুনা লৈবাক অনীনা ৱাখল থাদদুনা কুপ্না ৱারী শান্নবগী তাঞ্জা অমা লৌবনা মরু ওইবনি খোঙথাংনি হায়খি।

অমরোমদা সাউদি অরাবিয়াগী ফাইনান্স মিনিষ্টরসু ইস্লামবাদতা চৎতুনা পাকিস্তানগী লুচিংবশিং অদুগা ৱারী শান্নখি। লোয়ননা মহাক্না ন্যু দিল্লিদা লাক্তুনা প্রাইম মিনিষ্টর মোদিগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখি।

করনাটাকাগী বগলকোটতা মোদিনা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংদুনা কোংগ্রেস অমসুং জেদি(এস)পু হুল্লদুনা পার্টি অনীমক লৈবাক অসিগী সিক্যুরিটিদা পুক্নিং চঙশিনদবা পার্টিনি হায়না মরাল শীখি। বিজেপি লৈঙাক্না পাকিস্তানগী লমদা টেররিষ্ট কেম্পশিং থুগাইবদা ইন্দিয়াদা লৈবা পার্টি খরসু পেন্দবা ফাওরি।

মহাক্না পার্লিয়ামেন্টতা কোংগ্রেস অমসুং অতোপ্পা ওপোজিসন পার্টিশিংগী মায়কৈদগী মোদি লৈঙাক্না চথখিবা এয়র ষ্ট্রাইক অদুগী মতাংদা অকুপ্পা রিপোর্টশিং পুথোক্নবা খঙহল্লকপা লৈখ্রবনি।

# য়োগি অদিত্যনাথনা ইসিগী অথিংবা থুগাইরে ঃ ময়াৱতিনা



**লখনৌ, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী)ঃ**
বহুজন সমাজ পার্টিগী লুচিংবী ময়াৱতিনা উট্টর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথ ইলেক্সন কম্মিসননা মহাক্কী মথক্তা পুং ৭২গী অথিংবা থমখিবা অদু থুগাইরে হায়না ফোঙদোকখ্রে।

মমাঙদা উট্টর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর ওইরম্লবী ময়াৱতিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বিজেপি অমসুং নরেন্দ্র মোদি উট্টর প্রদেশতা মখোয়গী ভোট কাবগী চীংনবা ফাওদুনা মীয়াম্বু চিংশিন্নবা অরৈবা লম্বেল থিদুনা লাক্লি।

ইলেক্সন কম্মিসননা পীখিবা অথিংবগী মতমগী মনুং চন্না চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা ষ্টেট অদুগী লাইশঙ কয়াদা চৎতুনা পোলিটিকেলগী ওইবা কান্নবা ফংনবা থবক চথরি। লোয়ননা দলিট অমগী য়ুমগী মমাঙদসু চাকলেন চাখি হায়রি।

হায়রিবা থৌদোকশিং অসি মেদিয়াদা ব্রোদকাষ্ট তৌদুনা মীয়ামগী ভোট নীরি। মসিদা ইলেক্সন কম্মিসন্না করিগীদমক অথিংবা মনুংদা ভোট খোম্বগী মওংদা থবক তৌহল্লিবনো হায়না ময়াৱতিনা হংলক্লি।

নীংশিংবা য়াই, ইলেক্সন কম্মিসননা নিংথৌকাবা নুমিৎতা উট্টর প্রদেশকী চীফ মিনিষ্টর য়োগি অদিত্যনাথনা মিরুট সিটিদা মীখলগী রেল্লি অমদা ৱা ঙাংখিবদা কম্যুনেল ওইবা ৱাহৈ কয়া শীজিন্নখি হায়বগী মরালদা অথিংবা থল্লকপনি। অথিংবা অদু লৈবাকপোকপা নুমিৎকী অয়ুক্তগী চৎনবা হৌখিবনি। ইসিনা তুমিন্না লৈশিল্লবদি মীখলদা অচুম্বা ফংলরোই হায়না ফোঙদোকখি।

# মোদিগী য়ুম্নাক শীজিন্নরুবগীদমক বিহারগী দিপ্যুতি সিএমনা রাহুল গান্ধিগী মথক্তা দিফেমেসন সুট ফাইল তৌখ্রে



**পটনা, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী)ঃ**
বিহারগী দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর সুসিলকুমার মোদিনা কোংগ্রেসকী প্রাসিদেন্ট রাহুল গান্ধিনা মোদি য়ুম্নাক য়াওবশিং করিগীদমক হুরানবা ওইরিবনো হায়বা ৱাফমগী মতাংদা দিফেমেসন সুট অমা ফাইল তৌখ্রে।

বিজেপিগী সেনিয়র লুচিংবা অসিনা কোর্ট ওফ পটনাগী চীফ জুদিসল মেজিষ্ট্রেট কুমারগুজনন্দদা আইপি সিগী সেক্সন ৫০০ (পনিসমেন্ট ফোর দিফেমেসন)গী মখাদা রাহুল গান্ধিগী মথক্তা ফাইল তৌখিবনি।

নীংশিংবা য়াই, রাহুল গান্ধিনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা মহারাষ্ট্রদা পাঙথোখিবা মীখলগী রেল্লি অমদা মোদিবু হুল্লদুনা করপসনগী মতাংদা ঙাংখিবা ৱাফম অমদা করম্না হুরানবা পুম্নমক্কী মমিংদা মোদিগী য়ুম্নাক য়াওরিবনো হায়না হংলকখিবনি।

মীচেল ওইরিবা বিজনেসমেন নিরব মোদি অমসুং মমাঙদা ইন্দিয়ান প্রেমিয়র লিগকী চেয়রমেন ওইরম্বা ললিত মোদি পল্লদুনা রেল্লি অদুদা ৱা ঙাংখি। মীয়ামদা মহাক্না ৱাহং ওইনা হংলদুনা নিরব মোদি ওইরো প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি ওইরো হুরানবশিং অসিগী মিংদা মোদি য়ুম্নাক হাপ্লিবসি করিগীনো হায়খিবনি। মহাক্না মখা তানা তুংদা অসিগুম্বা মোদি কয়া থোক্লকখিগদবনো হায়নসু হংখি।

রাহুল গান্ধিগী ৱারোল অদুগী মতুং ইকান কান্নদনা বিহারগী দিপ্যুতি চীফ মিনিষ্টর ওইরিবা সুসিলকুমার মোদিনা কোংগ্রেসকী লুচিংবা অদুগী মথক্তা সু তৌগনি হায়না কিহনখি। বিহারদা মীওই লাক্ষ কয়া মখোয়গী য়ুম্নাক মোদি ওইরি। কোংগ্রেসকী লুচিংবা অদুগী ৱাহৈ অদুনা মশিং য়াম্লবা মীওইশিং অসি ইজ্জৎ মাংহল্লে হায়খি।

সুসিল কুমার মোদিনা মহাক্কী পিটিসন অদুদা রাহুল গান্ধিগী এপ্রিল ১৩গী রেল্লি অদুদা থমখিবা রিমার্ক অদু মহাক মশামক য়াওনা মীওই কয়া ইকায়বা নংই। কোর্টনা হিরম অসিগীমতাংদা এপ্রিল ২২দা হিয়ারিং পাঙথোক্কনি হায়রি।

# সিপিএমগী কেন্দিদেট সলিমগী কনভোইদা এটেক তৌখ্রে

**রাইগন্স, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী)ঃ**
ৱেষ্ট বেঙ্গলগী নোর্থ দিনাজপুর দিষ্ট্রিক্টতা সিপিএমগী লুচিংবা অমসুং রাইগন্সকী সিটিং এমপি ওইরিবা মুহমদ সালিমগী কনভোইদা এটেক তৌরকখ্রে।

থৌদোক অদুদা রাইগন্স কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মনুং চন্না লৈবা ইস্লামপুরগী পাটাগোরা পোল্লিং ষ্টেসনদা চৎলুবদা মুহমদ সালিমগী কার অদু নুংনা থাজিল্লক্তুনা অকায় অতোই থোকহনখি।

পোল্লিং ষ্টেসন অদুগী সেক্সন ওফিসরনা এমপি মুহমদ সালিমদা মফম অদুদা সেন্ট্রেল পুলিস ফোর্সকী ওফিসলশিং য়ৌরক্ত্রিবা ফাওবা ঙাইয়ু হায়না ফোঙদোরকপনি। সলিমনা মখা তারদুনা থৌদোক অদু ত্রিনামুল কোংগ্রেসনা শীনবা ওইগনি হায়খি।

মহাক্না পটাগোরা পোল্লিং ষ্টেসন অদুদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মীওইশিংনা মীওই কয়া ভোট থাদবা থিংলে হায়বগী পাউ তাবদগী মফম অদুদা য়ৌশিনখিবনি। সলিমনা মফম অদুদা লৈরম্বা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মীওইশিং অদুগা ৱারী শান্নবদা মখোয়না মহাক্কী গাড়ি অদুদা দ্রাইভর অমদি এসিষ্টেন্ট য়াওনা নুং অমসুং চেক্না থাজিল্লকখিবনি। মখোয় মফম অদুদগী মথৱাই হিংনবা চেনখি।

মহাক্না পোল্লিং বুথ অদুদা য়ৌরকপদা চাওনা রিগিং তৌই হায়না মরাল শীখি। ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মীওইশিং অদুনা মহাকপুসু য়োৎচৈনা কনগে তৌরকখি হায়খি। মফম অদুদা লৈরম্বা ষ্টেটকী পুলিস ফোর্সশিং অদু লেপ্পুনা ভাবোকগুম্না লেপ্পুনা য়েংদুনা লৈখি। সেন্ট্রেল ফোর্স থমদবা পোল্লিং ষ্টেসন অদুদা ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মীওইশিং অদুনা বুথ কেপচর তৌনবা অমদি ভোটতা রিগ তৌনবা হোৎনদুনা লৈরমখি হায়রি।

মীওইশিং অদুনা অশেংবা ভোটরশিং মফম অদুদা ভোট থাদবা য়াহন্দনবা হোৎনখি হায়নসু এমপি মুহমদ সলিমনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

মহাক্না হিরম অদুগী মতাংদা চীফ ইলেক্সন ওফিসরগী ওফিসতা কমপ্লেন অমা রেজিষ্টর তৌখি। সলিমগী এসয়ুভি কার অদু ৱিন্দ স্ক্রিন কায়খি। লোয়ননা মহাকসু ত্রিনামুল কোংগ্রেসকী মীওইশিং অদুনা চথরকপা এটেক অদুদা অশোক অপন খরা নংখি।

# পাকিস্তান ওকুপাইদ কাস্মির অমসুং এলওসিগী লল্লোল ইতিক থিংজিনখ্রে



**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী)ঃ**
ইন্দিয়াগী লাইন ওফ কন্ট্রোল অমসুং পাকিস্তান ওকুপাইদ কাস্মিরগী মরক্তা হান্না লৈরম্বা লল্লোল ইতিক্কী থবক থৌরমশিং ঙসি নোংয়াইদগী থিংজিল্লগনি হায়না ইন্দিয়া লৈঙাক্না লাউথোকখ্রে।

খোঙথাং অসি পাকিস্তানদা বেজ তৌবা মিলিটেন্টশিংগী অমদি মতেং পাংবশিংনা ইন্দিয়া রোমদা ইলিগেল ওইবা খুৎলায়শিং, ময়াই কাবা পোৎলমশিং অমসুং জালিনোটশিং চাওনা পুশিল্লক্নবা হোৎনরে হায়বা ইন্টিলিজেন্সকী রিপোর্ট অমা লাক্লে হায়বদগী লৌখৎখিবনি হায়না লৈঙাক্কী ওফিসলনা ফোঙদোরক্লি।

এলওসি অমসুং পাকিস্তান ওকুপাইদ কাস্মির অনীগী মরক্তা লৈরিবা লল্লোল ইতিক্কী থবক অসি মফম অদুদা লৈরিবা মীওই কাংলুপশিংগী মরক্তা নোংমদা শীজিন্নদবা য়াদবা পোৎলমশিং খক্তগী ওইনা চথবনি। মরু ওইনা লল্লোল ইতিক্কী থবক অদু বরামুলা দিষ্ট্রিক্টকী সলামবাদ অমসুং পুঞ্চ দিষ্ট্রিক্টকী চক্ক দবাগতা লৈবা ট্রেদ ফেসিলিটেসন সেন্টর অনীদা পাঙথোকপনি।

হায়রিবা মফম অসিদা চয়োল অমদা নুমিৎ মরীনি পোৎ লৈবা য়োনবা তৌই। বার্টর সিষ্টেমদা বেজ তৌবা লল্লোল ইতিক্কী থবক অসি টেক্স অম্তা থিদে।

ইন্দিয়া লৈঙাক্না লাইন ওফ কন্ট্রোলগী লম্বেলদা পকিস্তানদা বেজ তৌবা মিলিটেন্ট অমসুং মখোয়বু মতেং পাংবা কাংলুপশিংনা লান্না শীজিন্নদুনা ইন্দিয়াদা জালিনোট, খুৎলায় অমসুং ময়াই কাবা পোৎলমশিং পুশিল্লক্নবা হোৎনগদৌরে হায়বা হোম মিনিষ্ট্রিগী ৱারোল অসিনা ঙসি নোংয়াই মতুংদগী লল্লোল ইতিক্কী থবক অদু মখা তানা চথবা য়াররোই হায়না অথিংবা থল্লকপনি।

# জেট এয়ররৱেজদগী এভিয়েসন রেগুলেটরনা ক্রেদিবল রিভাইবেল প্লান পীখৎলক্নবা হায়রি




**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী)ঃ**
শেল চাওনা পুথদুনা লৈরবা জেট এয়ররৱেজনা মখোয়গী ওপরেসনশিং টেম্পরেরি ওইনা সস্পেন্দ তৌরকপদগী এভিয়েসন রিগুলেটর ওইরিবা দাইরেক্টোরেট জেনরল ওফ সিভিল এভিয়েসন (দিজিসিএ)না জেট এয়ররৱেজতা শোখরিবা অদু মেনখৎননবা কংক্রিট অমদি ক্রেদিবল ওইবা রিভাইবেল প্লান অমা পীখৎলক্কবা হায়গদৌরি। লোয়ননা রিগুলেটরি অসিগী ফ্রেমৱাককী মতুং ইন্না মতেংসু পীগনি হায়খি।

দাইরেক্টোরেট জেনরল ওফ সিভিল এভিয়েসনগী সেনিয়র ওফিসল অমনা ফোঙদোরকপগী মতুং ইন্না এভিয়েসন রিগুলেটর অসিনা হান্না লৈরিবা মরী লৈনবা চৎনা কাংলোনশিং অদুগী মনুংদা থবক থৌরমশিং অদু মরিক চুম্না পায়খৎতুনা জেট এয়ররৱেজগী হৌজিক লৈরিবা ফিভম অসি শেমদোক্নবা অমসুং মতেং পাঙনবা হায়খি।

নীংশিংবা য়াই, চয়োল কয়া জেট এয়ররৱেজগী শেল পুথবগী থবক অসিনা করম্বা খোঙথাং লাক্কদগে হায়বগী চীংনবা লৈরিঙৈদা ঙরাং এয়ররৱেজ অসিনা অথুবদা ইম্মজেন্সি ফন্দ লাক্কবনা মরম ওইদুনা এয়ররৱেজ অসিনা হান্না পায়খৎলম্বা থবক থৌরমশিং মতম খরগী ওইনা লেপ্পগনি হায়না লাউথোকখিবনি।

দাইরেক্টোরেট জেনরল ওফ সিভিল এভিয়েসনগী ওফিসল অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা দাইরেক্টোরেটনা অদুনা জেট এয়ররৱেজ কম্পেনিবু খ্বাইদগী ফবা মওংদা মতেং পীননবা হোৎনরি। লোয়ননা কম্পেনি অসিনা হান্না মপুং ফাবা এয়র সার্ভিস পীরম্বা অদুগা মান্ননা অমুক হন্না থবক তৌহন্নবগী পাম্বৈশিং পুথোক্কদৌরি।

শোকচিল্লবা এয়র লাইন অসি হৌজিক ফাওবগী ওইনা লুপা ক্রোর ৮,০০০ রোম তোন্দুনা লৈরি। পৈশা শান্দোক্লিবশিংনা জেট এয়ররৱেজ কম্পেনি অসিগী ষ্টেকশিং অদু য়োন্নবা বিদিং প্রোসেসসু হৌখ্রে হায়রি।

হন্দক ইন্দিয়াগী তোঙান-তোঙানবা এয়র লাইন্সশিংনা মখোয় মখোয়গী ফ্লাইটশিং কেন্সেল তৌরকপা অমদি প্লেনগী ভাড়া মমল হেনগৎলকপনা সিভিল এভিয়েসন সেক্রেটরি প্রধিপ সিংহ খরোলানা তোঙান-তোঙানবা এয়রপোর্ট ওপরেটরশিংগী মীহুৎশিংগা মীফম অমা পাঙথোকপা লৈখি।

মীফম অদুদা জেট এয়ররৱেজ কম্পেনিনা হান্না লৈরম্বা ফ্লাইটশিং অদুগী মীহুৎশিংগী ওসি তুংদা লাক্কনবা এয়র লাইনশিংগী প্রোগ্রেসিভ অমদি হৌজিক মায়োক্লিবা শেল পুথবগী মতাংদা নেনখি।

এয়রপোর্টশিংদা জেট এয়ররৱেজনা হান্না শীজিন্নরম্বা স্লোটশিং অদু অতোপ্পা এয়র লাইন্স অমনা মহুৎ শীনগদৌরিবনি। হায়রিবা খোঙথাংশিং অসি অরাইবা অমা নত্তবনিনা সিভিল এভিয়েসনগী সেক্রেটরী প্রধিপ সিংহ খরোলানা ঙসি নুংথিলসু তোঙান-তোঙানবা এয়রলাইন কম্পেনিগী মীহুৎশিংগা ৱারী শান্নগদৌরি।

ঙসি জেট এয়ররৱেজতা শেল থাদরিবা লেন্দরশিংনা ষ্টেক য়োনবগী বিদিংগী থবকশিং অদু মায় পাক্না পাঙথোক্নবা শেম শাখি।

সিভিল এভিয়েসন মিনিষ্ট্রিনা য়ুমশকৈশা নুমিৎতা জেট এয়ররৱেজগী হৌজিক থেংনরিবা শেল পুথবগী অৱাবা অসি দাইরেক্টোরেট জেনরল ওফ সিভিল এভিয়েসনগী ফ্রেমৱার্ক রিগুলেসনগী চৎনরক্লিবা খোঙথাং অদুগী মতুংদা মতেং পাংগদৌরি।

# লোক সভাগী অনীশুবা ফেজকী মীখল ময়াই ওইরপ হেন্না মীয়াম্না ভোট থাদনখ্রে, স্রিনগরদা বুথ ৯০দা ভোট অমত্তা থাদখিদ্রে



**ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ১৮ (এজেন্সী)ঃ**
ঙসি ইন্দিয়াগী ষ্টেট ১১ অমসুং পোদুচরি য়ুনিয়ন টেরিটরিদা লোক সভা কন্সটিট্যুয়েন্সি ৯৫দা ২শুবা ফেজগী মীখল পাঙথোকখ্রে। ময়াই ওইরপ্পদগী য়াম্বা ফাওবা ভোটরশিং থোরক্তুনা ভোট থাদনখি। স্রিনগরগী পোল্লিং বুথ ৯০ রোমদা ভোটর অমত্তা থোরক্লগা ভোট থাদনখিদ্রে।

ঙসিগী অনীশুবা তাঙ্ককী ভোট থাদনখিবা অদুদা কা হেন্না ইরাং থোকপগী পাউ লৈখিদে। অদুবু ৱেষ্ট বেঙ্গল অমসুং মণিপুরগী মফম খরদা ইরাং মচা মচা থোকখিবা অমদি ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন য়াদবগী থৌদোক্না মরু ওইখি।

পোদুচরি য়ুনিয়ন টেরিটরিদা ভোটর চাদা ৭৮ থোরক্তুনা ভোট থাদনখিবা অদুনা অনীশুবা তাঙ্কক্কী খ্বাইদগী ভোট মশিং য়াম্না থাদবা মফম ওইখি। ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চাদা ৭৬ অদুগা মণিপুরদা চাদা ৭৫ রোমগী চাংদা ভোট থাদনখি হায়না ইলেক্সন ওফিসকী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

স্রিনগরদা ঙসি চাদা ৪৩ রোমগী চাংদা ভোট থাদনখিবা অদুনা ষ্টেট ১১ অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী মশিং য়ামদনা ভোট থাদবা ওইখি। ষ্টেট অদুদা লৈবা পোল্লিং বুথ ৯০দা ভোটর অমত্তা থোরকখিদে। নীংশিংবা য়াবদি জম্মু এন্দ কাস্মিরদা মিলিটেন্টশিংনা ভোট থাদবা অমসুং লেপ্পদা অথিংবা থল্লিবনি। স্রিনগর কন্সটিট্যুয়েন্সিগী পোল্লিং বুথ ৫০ ভোটর অমত্তা থোরকখিদে । হায়রিবা পোল্লিং বুথশিং অসি ইদগা, খনয়র, হবা কদল অমসুং বাদমালুদনা ভোটর থোরক্তবা ওইখি।

ঙসি ভোট থাদনখিবা ষ্টেটশিংদা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিন য়াদবগী রিপোর্ট কয়া লাক্লি। টামিলনাদুদা চাদা ৭২গী চাংদা ভোট থানখি। করনাটকাদা চাদা ৬২, মহারাষ্ট্রদসু চাদা ৬২, উট্টর প্রদেশ অমসুং বিহারদা চাদা ৬৩ রোম ভোট থাদনখি। ওরিষাদা চাদা ৬৪, অসামদা চাদা ৭৪ রোম, ৱেষ্ট বেঙ্গলদা চাদা ৭৬ হেন্না ভোট থাদনখি। ছটিসগরদা চাদা ৭১, জম্মু এন্দ কাস্মিরদা চাদা ৪৪ রোম, মণিপুরদা চাদা ৭৫ রোম অমসুং পোদুচরিদা চাদা ৭৮ রোম ভোট থাদনখি।

ঙসি অনীশুবা তাঙ্কক্কী লোক সভা মীখলগী ভোট থাদনখিবা অসি কুম্মজা ২০১৪গী লোক সভা মীখলগা চাংদম্নরুবদা ভোটরশিং থোরকপগী চাং লোয়না নেমখি। খ্বাইদগী চাং ৱাংনা ভোট থাদবা হন্থখিবা ষ্টেটশিং অদুদি উরিষাদা চাদ ৭৩ রোম থাদরম্বদগী ঙসি চাদা ৬৪দা হন্থখি। করনাটকাদা চাদা ৬৮ ভোট পীখিবা অদু ঙসি চাদা ৬২দা হন্থখি।

অদুবু উট্টর প্রদেশতা কুম্মজা ২০১৪গী লোক সভা মীখলদা ভোট থাদনখিবা চাং অদুদগী ঙসিগীনা চাদা ১ রোমগী চাংদা হেনগৎলকখি।

ঙসি পাঙথোকখিবা লোক সভাগী অনীশুবা তাঙ্কক্কী মীখল অদুদা বুথ কেপচরিং তৌবগী পাউ অমত্তা ফংখিদে। লোয়ননা খন্ন-চৈনবা থোক্তুনা অশি অনাগী পাউসু লৈখিদে। মরক অসিদা ট্রিপুরা ইষ্টকী লোক সভা মীখলগী মতম অদু মফম অদুগী ইরাং ফত্তবনা মরম ওইরগা এপ্রিল ২৩দা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখলদা য়ৈথোকখ্রে হায়রি।